থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# হৌজিক্তি ঐখোয় ৩শুবা ফেজ য়ৌরে, করম্নো!

‘থম্মোয় পাউদম’ হায়বসি থম্মোয়দা লৈবা ৱা (পূক্লিংনা খনবা ৱাখল) অদু ৱাখল তিন্নবা মীওই খরদা তমথোকপা (সেয়র তৌথোকপা) অদু নত্তরা? ঐতগী ৱা নত্তবা, নক্নরুবা-খঙনরুবা-চান্নরুবা কয়াগী ৱাদুসু কাখলসিদা ফোঙদোকপা য়াই। ককঙাওনরবা থম্মোয়সিগী তম্ফম খঙদ্রবা ইপাউসিদা ‘ফীদবেক’ হায়গদ্রা, হায়হৌদবা/হায়হন্নীংবা কয়া ফোঙদোরকপা, মদুনা ইথিল পীদুনা ‘লেপ্পা লৈত’ তম্নীংহনবা - মদুননি, মীনা তানীংই-তানীংদে খঙদবা চোইরোল খরা লোল্লিবসে তত্তনা।

ঙসি, ঙরাং-ফাগি-ফাগি নুমিৎ মাপন্নি শুজিনখ্রে ঐখোয়বু করিমত্তা তৌগনু, করিমত্তা খনগনু, য়ূমগী কাখুদুদই হেন্দোক্কনু হায়দুনা শকউদবা ছো অমনা লোনশিন্দুনা থল্লক্লিবা। পুন্সি হায়বসি থবকনি, থবক্না পুন্সিনি হায়বসিদা থাজহন্দুনা হিংলক্লবা ঐখোয়সিবু করিমত্তা তৌগনু, করিমত্তা খনগনু, তুমিন-লৈয়ু ফমদুনা - হায়বসি অরায়বা থবক ওইফম থোক্তে। ঙাঙোম তেজ কুমার, লোয়র’নদি ‘নেদরলেন্দ’দগী হায়রকই - ‘ক্রিমিনেল অমনদি চহী কয়া কৈশুমশঙগী অমম্বা কাখূ’দা লেনবা ঙম্লগা, ঐখোয়নদি করিগী কোরৌ নুমিৎ ২১ খক য়ূমদই হেন্দোক্কনু হায়বদা করিগী ঙম্লোইদৌরিবনো’? মীওইবা খুদিংমক পাপ অমা নৎত্রগা অমা লংশিল্লুরবা ঙাক্তনি ... পাপিশিংবু লানবীনবা যিশুনা মী ওইনা তাইবঙসিদা পোকপীরম্বনি ... হরিগী মিং শোনবনা তাইবঙ ঈপাক লান্নবা পাম্বৈনি ... হায়বনচিংবা কয়া হায়রম্বনিনা, পাপ’তুগী চৈরাক ওইনা ‘লোকদাউন পনিসমেন্ট’ পীরকপনি হায়না খন্দোকপদি য়াদবরা? য়াই। ’সিগুম্বা ৱাখলগী নীংতম্বদুদি কনানসু মুনবা ঙম্লোই ঐখোয়দগী। ৱাখলগী নীংতম্বদুদি ফংই ঐখোয়। ফংখিগনি তুংদসু।

ঙরাং অমদি নহান-দিল্লিগী নিজাম্মুদ্দিনগী ইস্লামিক কনফরেন্স অদুদা মণিপুরদগী মীওই খরা শরুক য়ারুবগী পাউ সোসল মিদিয়াদা থাগৎনরকপদগী, লুরবা হেলথ ইস্যু অসিগা মরী লৈননা ঙাঙনবা নত্তবা, কাঙলূপ-নাইবা সেন্টিমেন্ট অমদা, হায়হন্নীংদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা থাগৎনরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদি কাউন্টর-রিএক্সন কয়া থেংনখি। মদু তৌহৈদবা অমনি, ‘হায়লি কন্দেমনেবল’ কনানা কনানো থিদনা, নিন্দা তৌফম থোকই, তৌগদবনি। অদুগা, থৌদোক্তুগী অচুম্বদুসু খঙমিন্নগদবনি। মদুদি - ‘নিজাম্মুদ্দিন মর্কজ’দা পাঙথোকখিবা ‘তবলিঘি জমাত’ অদুনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন অসিগী ‘কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন ষ্টেজ’দা লানশিল্লক্নবগী তাঞ্জা পীবা অহানবা থৌদোক ওইখরে। ‘নাও! ইন্দিয়া কেন্নোৎ ক্লেম দেট ৱি আর য়েট টু ক্রোস ফেজ টু’ - হৌজিক্তি, ঐখোয় অহুমশুবা তাঙ্কক্তা লানশিল্লক্লে। মণিপুরগী অনীশুবা ‘কোভিদ-১৯’ গী অনাবা অসি মীয়াম তিনবা মফম অমদই লৌরকপনি, মহাক্কী মরী-মতা মীরমদা চৎলুবা অমদই লানশিল্লকপা নত্তে - হায়বসিমদি চেনবা য়াররোই। অতোপ্পা কাঙলূপ অমনা অতোপ্পা কাঙলূপ অমদুদা মরান শীনবগী ৱা নত্তে। ভাইরস অসিনা হিন্দু, মুসলিম, সিখ, ইসাই - মীতৈ, চীংমী, ময়াং, পাঙল খায়দে হায়বা পূম্নমক্কা খঙনরিবসিনি। নিজাম্মুদ্দিন মর্কজ অদুদগী মণিপুর, অসাম, বেঙ্গল, বিহার, ঝরখণ্ড, ওরিষা, এম পি, অন্ধ্র, তেলঙ্গনা, টামিল নাদু, কর্ণাটকা, কেরলা, মহারাষ্ট্র, উত্তর প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর য়ৌনা কোরোনাভাইরস শন্দোকখ্রে হায়বসি ইসলাম ধর্ম্মবু মিংচৎ থীহন্নবা হায়বা নত্তে, মুসলমানশিংদা মরাল শীবা নত্তে। পোটেন্সিয়েল ওইবা দেঞ্জর, থোক্লবা য়াবা খুদোংথীবা অদুগী মীয়ামদা মীৎ-মায় শিংহন্নবনি, চেকশিন থৌরাং লৌনবনি। ... ‘সোসল দিষ্টেন্সিং, অমগা অমগা নক্নদনা, লাপ্না লৈবা হায়বসি হোলি কোরান্না য়াদে’... তানফমসিদা অসিগুম্বা ৱাঙাঙ ঙাঙলিবা লুচিংবদুগী য়াথং, কাঙলূপ্তুনা ইনফম থোকপরা? মক্কা, মদিনাদ মীয়াম চঙবা থিংখিবসিদি অল্লাহগী অয়াবা লৌরগরা? হায়জরিবা ৱাফমসি, লাইনীং লম্বী অদুবু করেম্নবা নৎচদে। থোরক্লিবা থৌদোকসিনা হায়হল্লকপনি। ঙসি থোক্লিবা থৌদোকশিংসি য়েংলুরগা ‘তবলিঘি জমাৎ’কী থবক থৌরম অমুক্তং, হঙ্গৎনা য়েংলুবা কান্নগনি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ য়ৌরকপগী পাউ তাদ্রিঙৈ, ফেব্রুৱারী ২০২০দা তবলিঘি জমাৎকী মীফম অমা মলেসিয়াদা পাঙথোকখি। ন্যু য়োর্ক টাইমস, মার্চ ৩গী ইস্যু’দা - ‘মীফম অসিনা খা-নোংপোক এসিয়াদা ‘কোভিদ-১৯ ভাইরস অসি শন্দোক্লবগী খ্বাইদই চাউবা মরম অমা ওইরে’ হায়না ফোঙদুনা পাক্লা-শন্না খঙহনখ্রবনি। নুমিৎ মরিনিগী মীফম অদু য়াওরুবা মী ৬২০ কোভিদ-১৯ টেষ্ট’তা পোজিটিভ ওইরে লাউথোকখি। থৌরম অদু শীনখিবা ওর্গনাইজেসন অদুমক্না ‘নিজাম্মুদ্দিন মর্কজ’দা মার্চ ১০দগী ১৩ ফাওবা অতোপ্পা থৌরম অম’মুক শীন্ননবা থৌরাংলকখি। মার্চ ১১দা ‘কোভিদ ১৯-পান্দেমিক ওইরে’, ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন’না লাউথোরকখি।

নিজাম্মুদ্দিন’গী বাংলাৱালি মসজিদ’তা পাঙথোকখিবা ‘ইসলাম লাইনীং শন্দোক - মীফম’ অদুদা ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, থাইলেন্দ, নেপাল, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা অমদি কিরগিষ্টান’নচিংবা লমদগী মীরৈবাক মচা ৮০০ হেনব’না শরুক য়াখি। গভর্ণমেন্টকী ওইবা পাউগী লীখুন অমগী মতুংইন্নদি, জন্যুৱারী থাদই হৌরগা তোঙান-তোঙানবা মতমদা লৈবাক ৭০ রোমদগী জমাৎ’কী থৌরম য়াওনবা লাকখি হায়। মখোয় অয়াম্বনা থা তরুক্কী লম-কোয়বগী ভিসা পায়রগা লাকখিবনি, লিশীং অনীগী মথক্তনি, খঙহৌদনা লাউথোকখিবা লোকদাউন’না মরম ওইরগা মখোয় ১০০০ রোম নিজাম্মুদ্দিন মর্কজ মনুংদা চেন্থোকপা ঙমদা লৈহৌখি।

‘জমাৎ’ নৎত্রগা ‘সরকার’! অনীগী মরক্তা অমদি ওইদবা ঙাঙলে। ‘তবলিঘি জমাৎ’ সিগী হৌনবী মতুংইন্না, সিনিয়র ওইরবা লুচিংবা অমগী মখাদা ‘মর্কজ-হেদক্বার্টর’ সিদগী কাঙলূপ কাঙলূপ খায়দোক্লগা অতোপ্পা মফমশিংদা লৈবা ‘মার্ক-ব্রাঞ্চ’ কয়াদা ইসলামগী পাউজেল শন্দোক্লবা থায়। মখোয়দুনি (ফোরেন নেসনল য়াওনা) তোঙান-তোঙানবা মসজিৎ মনুংদগী ফাগৎখ্রিবা। গভর্ণমেন্ট’না হায়, ‘অখন্নবা সরকারগী থৌরাং অমা পান্দেমিকসিগা মরী লৈননা লৌখৎলক্লে খঙলবদি ফোরেনরশিংদু মতম চানা ময়ূমদা হলহনখিদবা করিগীনো’? ওইনীংবদু ওইসনু, ধর্ম্ম অমদা লূপশিনখ্রবা মীৎ হায়বসিদি মীতাঙবগা পাংখক্লি। মীৎ তাঙলবা অমনা করিবুদি উরুনি?

# মোইজিং অমদি খেকমন খুলগী লম্বীশিংদা হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস): কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্কাই ফাউন্দেসন থৌবাল মোইজিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা মোইজিং অমসুং লিলোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খেকমন খুলগী লম্বীগী মফম কয়াদা হিদাক কাপথোকখ্রে।

স্কাই ফাউন্দেসনগী এদভাইজর অমদি সোসল ৱার্কর অব্দুল রাজক্কী মীৎয়েং মখাদা ঙসি মোইজিং অমসুং খেকমন খুলগী অকোইবা মফম কয়াদা হিদাক কাপথোকখিবনি। ফাউন্দেসন অসিগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা অচৌবা চৈথেং পীরি। অসিগুম্বা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহল্লিবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুম্নমক্কা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। মালেমগী ওইনা মীওই লিশিং কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। মীওই লাখ কয়া অমনা অৱাবা তাদুনা লৈরি। মণিপুরদসু পোজিটিব ওইবা মশিং হেনগৎলক্লি।

লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দারক্তনবা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। লাইবক থিবা থৌদোক অমা ওইনা থৌবাল মোইজিংদা লৈবা মীওই অমগী য়ুম ইলেক্ট্রিক্তগী মৈ হৌরক্তুনা চাকখ্রে। লুপা লাখ ২.৫ রোমগী মাল চাং মাংহনখ্রে। অৱাবা তারবা ইমুং অদুদা ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী শেলগী অঙম্বা মতেং পাঙখি। ফাউন্দেসনগী মীহুৎশিংনা মফম অদুদা চৎতুনা চানা থক্লবা পোৎলম কয়াসু মতেং পাঙখি। তঙাইফদনা চংবা পোৎলম কয়া ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী মতেং পাঙখিবনি।

মণিপুরদা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী অৱাবা ফিভম অমা লাক্লিবা অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইবা থৌদাং লৌমিন্নবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। মখা তানা শন্দারক্তনবগীদমক হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মালেমগী ওইনসু লায়না অসিনা নাবা অমদি শীবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি। ফিভম অসিদা ঐখোয় চেকশিন্না লৈমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

# মহৈ লোয়শঙশিং থোঙ লোনখিগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লায়চৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা মার্চ ৩১গী মতুং তারকপদসু মণিপুরগী মহৈ লোয়শঙ পুম্নমক থোঙ লোন্নবা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার (এদ্যুকেসন এস) টি রঞ্জিৎনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা মার্চ ২৩ দগী হৌনা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা নুমীৎ ২১ লোক দাউন তৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা স্কুলশিং (গভর্ণমেন্ট, এদেদ অমদি প্রাইভেট স্কুল য়াওনা), কোচিং ক্লাস, ট্যুসন সেন্টর অমদি বোর্দিংনচিংবা পুম্নমক থোঙ লোনখিগদবনি। মখা তাবা য়াথং অমা পীদ্রিবা ফাওবা মহৈ লোয়শঙশিং থোঙ লোনখিগনি হায়রি।

# চনম সন্দ্রোক্তা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০২ (ঐচ এন এস) : মালেম শিনবা থুংনা তমথিবা মওংদা মীশি মীনা য়াওনা য়াম্না য়াংনা শন্দোরক্লিবা কোবিদ-১৯ লায়নানা মরম ওইদুনা মণিপুরদসু লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা হায়দুনা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মতুংইন্না ষ্টেট পূম্বদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ূ তৌখিবনা ৱানরবা মীয়ামদা মতেং পাংবা ওইনা কৈরাউ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চনম শন্দ্রোকতা লৈবা য়ূমথোং খুদিংদা গম্মা রে ক্লবনা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি ফাওবদা লমদম অসিগী লৈঙাক্লো চনম শন্দ্রোক্তা ঢৌটি ঈশিং ফংহন্দনা লাকখিবনা অসিগুম্লবা চিরবা তানফমদা খুন অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা চান-থক্লবগী অৱাৎপশিংনা ৱাবগী মথক্তা ঈশিংগী অৱাবা কয়াসু মায়োক্লরি। মরম অদুনা ঈশিংগী অৱাবা অসি খরদং ওইরবসু কোক্লবগী পান্দমদা ঈশিং য়েন্থোকখিবনি হায়না গম্মা রে ক্লবগী প্রসিদেন্ট কে বিজোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঈশিং য়েনবগী থৌরম অদুদা একেন এন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর ইরুংবম একেন অমদি এ সী অসিগী এম এল এ ওইরিবা লৌরেম্বম রামেশ্বরনা অচৌবা মতেংসু পাংবিরকখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৪।২০২০ ইং, ইরাই
শজিবুগী ১০ নি পানবা।

**মেষ:** থৌনা লৈবা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি অকন-অথৌগী থবক্তা মীনা লাকচবা ঙমলোই। অদুবু হোয়া ফবদি য়াদবা অমদি অফা অপুন নংবা য়াবা লৈ-ইংথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** লন ফংবা অমদি অনৌবা ৱাখল লাকপনা অনৌবা থৌরম হৌদোকপা য়াবা লৈগনি। ইমুং-মনুং তানবগী কান্নবসু ফংগনি। অরিবা থবক্তদি খুরৌ থাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** পূক্লিং ৱাবা অমদি মীৱা থাজরদি কিবা পোকপা লৈগনি। থবক থৌরমদা লৌশিং চাওবা মী তানদ্রদি লন মাঙবা য়াবা লৈ অমদি থিজিনবা কনগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** হরাওবা নীংবা থুংবা, শেল-থুমগী লম্‌দা কান্নবা অমদি মরুপ মপাংগী ৱা তাবনা কান্নবা নুমিৎনি। অনৌ অনৌবা থবক পাংনিংগনি। লনদি মখোঙ পাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** ঙাঙবা শকপা অমদি হোয়া ফবা অমত্তা য়াদবা নুমিৎনি-তুমিন্না লৈবা নত্রগা নথক থোংবগী ৱা তারগা থবক পাংবা ফগনি। থৌনাদি হনগনু-কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** মীংচৎ ফংগনি, লৌশিং অনৌবা তানশিনবা য়াগনি অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা কান্নগদবা নুমিৎনি। অদুবু য়েক্লবদি য়াম্মী-থিবা অমদি খাংবা কনবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** থবক মঙ্গোল ওইগনি, নীংবা মপা চাই অদুনা মীগী ৱা ঙাইদনা অফবা থবক্তি পাংবা য়াগনি, হকচাং নুংঙাই। কিবদি পোক্কনি অমদি লম চৎপা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মীপাইনিংঙাই ওই অদুনা হোয়া ফবা অমদি মীচং খোম্বা কান্নরোই। ইমুং মনুং য়াননবা হোৎনবা ফগনি অমদি অনম তান্না থৌ পাংগে খনগনু-কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কাইনবা নংবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**ধনু :** নচাক নরলদা য়েৎনবা, অফা অপুন্নবা অমদি হেন্না অশা চাওরুবনা নীংবা কাইনিংঙাই ওইবা লৈ। অদুবু অরিবা থবক পাংগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** নীংজবা থুংগনি, ওইজবা থিবসু শোইদনা ফংগনি অমদি অরাপ্পগী নত্রগা থাজদবা মফমদগী কান্নবসু ফংজগনি। লৌশিংদি খরা ৱাৎলি -অরুবদি য়ৈথোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** লাইবক ফবা, নীংবা থুংবা অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং নত্রগা নথক থোংবগী মতেং লৌবা য়াগনি। ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** কোক শাবা মতম মাঙবা, নীংবা মপা চাদবা অমদি য়েক্লবনা ৱাহনবা নুমিৎনি। নোল্লুক্না চৎলদি শাফগনি। লাই-গুরুগী ৱাবু তারদি মাঙবা লৈরোই-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

# নহাক্না পুঙ অমগী মনুংদা ১৬লক মায়দা থেংলম্বা য়াই: মসি করম্না তোক্কদগে!



মায়দা খূৎনা থেংবনা ফ্লূ নৎত্রগা কোল্ড ভাইরসশিং অমদি কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সনগী রিস্ক চাং য়াম্না ৱাংখৎহল্লি। মীৎ অমসুং চীন হায়বসি ভাইরসশিংনা ঐখোয়গী হকচাং মনুংদা চঙলকপদা য়াম্না লায়বা মফমশিংনি।

মীওই অয়াম্বনা মশাগী মমায়বু পুঙ অমগী মনুংদা ১৬ লক্তগী হেন্না শোকই হায়বা ষ্টদিশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে। এক্সপর্টশিংনা হায়, গ্লোব উপ্পনা মায়দা তোয়না পায়বগী হৈনবী অদু থুগায়বদা মতেং পাংই।

মায়দা তোয়না থেংবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না তৌই। নোংমদা মশিং খঙদনা মায়দা থেংই। নাতোন হাক্কচবা, মীৎ চোকথরকপা, খূৎনম্না চীন তৈথোকপা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়না খন্থরুবা তৌদনা তৌদুনা লৈরবা থৌওংশিংনি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) গী মতুংইন্না SARS-CoV-2 হায়নসু খঙনরিবা অনৌবা কোরোনাভাইরস অসি অতোপ্পা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন কয়াগা মান্নবা মওংদা মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকই।

মীওই অমনা হাকথী খনবদা য়াওরকপা রেস্পিরেটরি দ্রোপলেটশিং অদু অতোপ্পা মীওই অমনা নীংশা হোঞ্জিনবদা য়াওখিদুনা লংস য়ৌখিবা; ভাইরস পকপা পোৎ-চৈশিং পায়রুবা খূৎনা মীৎ নৎত্রগা চীনদা অমুক থেংবা অসিনচিংবশিং অসি মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকপগী মওংশিংনি।

অনাবা মীওইগী মনাক্তা নকশিল্লুদবা, নৎত্রগা নুংশিৎতগী শন্দোকপা ভাইরসশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মাস্ক উপ্পনচিংবা তৌবা হায়বসি ইরাই লায়বা অমা ওইরগসু, ভাইরস অদুনা পোৎ-চৈশিংদা পল্লগা লৈরগদি মদুদগী অরূবা ৱাফম অমদি ওইরি।

সাইন্টিষ্টশিংনা রিসার্ছ তৌবদা মীওই অমনা মশাগী মমায়দা য়াম্না তোয়না পায়বা-থেংবা তৌবা হায়বসি খঙবা ঙমখি।

কুমজা ২০০৮দা চথখিবা ষ্টদি অমদা মীওই ১০বু ওফিস ইনভাইরনমেন্টতা পুঙ ৩ চূপ্পা ওবজর্ব তৌখি। মদুদা মীওইশিং অদুনা চাংচত্তা পুঙ অমদা ১৬ লকফাওবগী চাংদা মখোয় মশাগী মমায়দা পায়বা-থেংবা তৌবা থেংনখি।

কুমজা ২০১৫দা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমগী মেদিকেল ষ্টুদেন্ট ২৬পু ওবজর্ব তৌবদা মখোয়না পুঙ অমদা ২৩ রক মশাগী মমায়দা পায়বা-থেংবা তৌই হায়বা খঙবা ঙমখি। মায়দা পায়বা-থেংবা তৌবা অদুগী তঙ্খায় অমরোমদি চীন, নাতোন নৎত্রগা মীৎতা থেংবনি, হায়রিবশিং অসি ভাইরস নৎত্রগা বেক্টেরিয়াশিংনা হকচাং মনুংদা চঙখিনবগী খ্বাইদগী লায়বা লম্বীশিংনি।

অতোপ্পা মীওইশিংদগী হেন্না খঙলবা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংফাওবদা পুঙ ২গী মনুংদা ১৯ লক ফাওবগী চাংচত্তা মশাগী মমায়দা পায়বা-থেংবা তৌই।

মরম অদুনা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাংশিং খূদম ওইনা খূৎ তোয়না হাম্বা (সেকেন্দ ২০ চঙনা) অসিনচিংবশিং লৌখৎলি। অদুবু, খূৎ তোয়না হাম্বা হায়বসিসু মায়দা পায়বা-থেংবা তৌদ্রবতদা কান্নবা ফংই। মরমদি মীৎনা উবা ঙমদবা মহীকশিং করম্বা মতমদা ঐখোয়গী খূৎতা পল্লকপগে হায়বসি খঙবা ঙমদে।

সী দি সীগী মতুংইন্না তশেংনা কান্নবা ফংনবগীদমক ঐখোয়না ইনগদবা খূৎ হাম্বগী মথং মনাউশিংদি: খূৎ চোৎহনবা; সাপোন নোইদুনা কোঙ্গোল থোকহনবা; খূৎ অনী তক্লবা; ঈশিংদা থাদোকপা; অমদি কংহনবা অসিনি।

অদুমওইনমক, ঐখোয়না মায়দা অশুক্কী মতীক তোয়না পায়বা-থেংবা তৌবা মরম্না খূৎ হাল্লবসু অমুক কন্তামিনেট তৌরকপগী চাং য়াম্না কা হেন্না ৱাংই। খূৎ ফনা শেংনা হাম্লুরবসু থোঙদা নৎত্রগা অতোপ্পা মান্নবা পোৎ অমদা অমুক্তং পায়রুবদা তমথিরবা ভাইরস অদু অমুক খূৎতা পল্লকপগী খুদোংথিবা লৈরবনি।

ইল্লিনোইগী হন্টলিদা লৈবা নোর্থৱেষ্টর্ন মেদিসিন হন্টলি হোস্পিটালগী ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট জেকরি সিকোরানা কোরোনাভাইরসকী আউটব্রেক তৌরিঙৈ মনুংদা মায়দা পায়বা-থেংবা তৌবগী হৈনবী থাদোক্লবা পাম্বৈশিং পীরি।

মহাক্না হায়, ইশাগী খূৎপু মায়দা পায়দনবগী ৱাখল অদু খন্দুনা লৈয়ু। থবক তৌরিঙৈদা ঙাইহাক্তং ওইরবসু লেপ্পনা খূৎনা করি তৌরিবগে হায়বদু নীংশিংহনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী।

য়ূমদা নৎত্রগা ওফিসতা রিমাইন্দর নোটকুম্বা থেৎলগা থম্বনসু মায়দা পায়দনবগী মতাংদা নীংশিংহনবদা মতেং পাংই।

ইশাগী খূৎ অদু করিগুম্বা মথৌ অমা তৌহন্দুনা থম্মু। করিগুম্বা য়ূমদা টি ভি য়েংদুনা লৈবা ওইরগদি ফিরোল থূপচিনবা, মেইল খন্দোকপা, নৎত্রগা খূৎনা করিগুম্বা পোৎ অমা পায়দুনা লৈগদবনি।

মনম নুংশিবা হেন্দ সেনিটাইজর অমা শীজিন্নবা নৎত্রগা মনম নুংশিবা সাপোন অমা শীজিন্নবনসু খূৎনা মায়দা পায়দনবা হোৎনবদা মতেং পাংই। হেন্দ সেনিটাইজর নৎত্রগা সাপোন অদুগী মনম অদু নল্লকপদা ইশাগী খূৎ কদাইদা লৈরিবগে হায়বা নীংশিংহল্লি।


ইশানা মায়দা তোয়না পায়বগী হৈনবী লৈ হায়বা খঙলগদি গ্লোব উপ্পদা য়াম্না কান্নবা ফংগনি হায়নসু মহাক্না রিকম্মেন্দ তৌরি।

মীয়াম পূনবা মফমদা চৎপদা অমদি ভাইরস পল্লুম্বা য়াবা পোৎ-চৈশিং পায়বা মতমদা হেন্দ গ্লোব অমা শীজিন্নবা য়াই, অদুগা লোইরবা মতুংদা লমথুংফম য়ৌরবা মতমদা অমুক লৌথোক্কনি। হৈনদবা ফাওবদি য়াই, অদুবু য়ূমদা লৈবদসু গ্লোব অমা উপ্পনা মায়দা পায়বগী হৈনবী অনী থুগায়বদা মতেং পাংবা ঙম্মী হায়নসু মহাক্না মখা তারি।


মমি ৱারী

# চেরাপুঞ্জি, মেঘালয়া

## তুশার নোংথোম্বম







Tushar Nongthombam is a lifestyle and landscape photographer.